লাইবুঙদা উ থাবগী খোঙজং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর গ্রীন মিসন মণিপুরগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ভেলেন্টিনা এলাংবমগী ইনিসিএটিভ মখাদা জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্ট হব, ককচিং, এলাইয়ন্স ফোর দিভলপমেন্ট অল্টর্নেটিভ মণিপুর (অদাম), ঐচ কৈনাহল মেমোরিয়ল ইংলিস স্কুল লাংমৈদোংনা স্পোন্সর তৌবা মণিপুরগী উমংলাই লাইবুংশিংদা উ থাবগী খোঙজং ঙসি লাংমৈদোংদা লৈবা ইবুধৌ পাখংবগী লাইকোলদা হৌদোকখ্রে।

ভেলেন্টিনা এলাংবমনা সনাখোংনাং পাম্বী অমা থাদুনা থৌরম অদু হৌদোকখি। থৌরম অদুদা প্রাণায়ম মপুং ফানবা থৌরাং হায়না মিংথোনবা ইনভাইরনমেন্ট প্রোটেক্সনদা যুম্ফম ওইবা মণিপুরী পোষ্টর কবিতা অমা কৈনাহল মেমোরিয়ল ইংলিস স্কুল, লাংমৈদোংগী প্রিন্সিপাল ডা. ঐচ জিতেননা ফোঙদোকখি। অইবা বীরমঙ্গল পুখ্রম্বমনা সিন্থেসিস ওফ পাখংবা এন্দ লো ওফ কঞ্জার্ভেসন ওফ এনর্জি হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি।

টোয় গনশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৫ দা মহৌশাগুম চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তসু পাঙথোক্কদৌরিবা খৃষ্টমাস কুম্হৈগী মাঙওইননা জোইন্ট ফিলন্থ্রোফিক ওর্গনাইজেসন (জে পি ও) না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেদ ক্বার্টরদা লৈবা দুকানশিং য়াওনা অতোপ্পা মফমশিংদা য়োল্লম্বা মখল কয়াগী টোয় গনশিং ফাগৎখ্রে হায়রি।

জে পি ওগী খোঙথাং অসি পাঙথোক্কদৌরিবা কুম্হৈ অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা থোকহন্নিংদবা মীয়ামগী পুন্সিদা অকায়বা পীবা থৌদোকশিং থোরক্তনবগীদমক লৌখৎলকপা খোঙথাংনি হায়রি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা মরুওইনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী ন্যু বজার অমসুং জেনহাং লমকা বজারনচিংবা মফমশিংদগী মশিং য়াল্লবা টোয় গনশিং অসি ফাগৎখিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, জে পি ও অসি মতম খরগী মমাঙদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা শেমখিবা ওর্গনাইজেসননি। মসিদা জোমি য়ুথ এসোসিএসন (জেদ ৱাই এ), মার য়ুথ এসোসিএসন (ঐচ ৱাই এ) অমসুং কুকি খংলাই লোম্পি (কে কে এল)সু য়াওরি হায়রি। জে পি ওনা মমাঙ থাগী ৩০দা পাঙথোকখিবা মসিগী মীফম অমনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মতুংইন্না খৃষ্টমাস কুম্হৈগী মাঙওইননা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না শান্নপোৎকী নোংমৈশিং য়োল্লিবসি ইলিগেল ওইবা থৌওংনি হায়না লৌরদুনা টোয় গনশিং অসি পাক্তক্লনা ফাগৎখিবনি হায়রি।

চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩: থবক ফংদ্রিবা মীওইশিংগীদমক অতেনবা মতমদা লাইনা শেম্নোক লৈহনবা হায়বা থীমদা নুমীৎ ৫নিগী ওইবা চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং অমা থা অসিগী ২৬ তগী ৩০ ফাওবা পোরোম্পাৎ দি আই সী কমপ্লেক্সতা লৈবা লাইভলিহুদ বিজিনেস ইনকুভেটর মিনিষ্ট্রি ওফ এম এস এম ঈদা পাঙথোক্লগনি হায়না এল বি আই-আই ঈগী মেনেজর পি সুরজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লাইরিক ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জেলূপ (ইমাখোল)না শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ দা মণিপুর হিন্দী পরিষদ ইম্ফালগী হোলদা ইমাখোলগী লূপলোয় ডা. মোইরাংথেমচা চাওরৈকেনবগী নুংগী মশক তাকপা কংলৈ হরাওবগী জগোয় হায়না মিংথোনবা ৱারেংগী লাইরিক অমা ফোঙলগনি হায়না ইমাখোলগী সেক্রেটরি ইবোমচা লাংপোকলাকপানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম অসিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর আই এস কাংজমনা অথোইবা মীথুং, ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট আর কে গুনচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইগনি। সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী ডা. মখোনমনি মোংশাবনা লাইরিক মশক তাক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন ইরিলবুং, ইম্ফালগী আর্টিষ্ট ১০ কম্বোদিয়াগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি টি ঐচ সনামচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ইন্টরনেসনল সী ফেষ্টিভেল ২০১৯ দা শরুক য়াদুনা থাঙ-তাগী দেমোন্সত্রেসন কয়া উৎলুনবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি। ক্রুপ অসি ঐচ রাজুমনি অমদি জি বিসেশ্বরনা লুচিংখি। আর্টিষ্ট ১০ অসিনা মণিপুরগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা থাঙ-তাগী পর্ফোমেন্স উৎলুগনি হায়রি।

ঐখোয়গী পোথোকশিং শীজিন্নদুনা মপান্দগী পোৎ লৈবা হন্থহনবা চঙই : বিরকুমার

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): ঐখোয়গী পোথোকশিং য়ারিবমখৈ শীজিন্নদুনা মপান্দগী পোৎ লৈবা হন্থহনবগী পারা অসি ফাদ্রিবমখৈ য়াখিরোই হায়না মঙাল সাপোন লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা সী এস আই আর নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎকী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. হুইদ্রোম বিরকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

সী এস আই আর নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা হুইদ্রোম বিরকুমারনা হায়খি, মণিপুরগী ইকনমিদা মণিপুরগী প্রদক্সন অমদি পোথোকশিংদগী পুথোকপা নত্তনা ঐখোয় হিংবা ঙম্লোই। মণিপুরগী মপান্দা ফংদবা হিদাক কান্নবা পাম্বীশিং য়াম্না হৌরি। রো মেটেরিয়ল ঐখোয়দগী পুথোকপা চঙই। ইরমদমগী পোথোক পুথোকপসি মায় পাকই। সাপোন হায়বসি বন্দ, ব্লোকেদ তৌরবসু শাবা য়াই। নুমীৎ খুদিংগী ইমুংশিংদা শীজিন্নবা অমসুনি। মঙাল হায়রিবা সাপোন পুথোক্লিবা অসি ইরমদমগী পোথোকনি। মণিপুরগী মনা-মশিংদগী ফংবা কয়ানা শেন্নগা পুথোকপনি। মণিপুরগী ইমাশিংনা পীবা খুদোলগী মনুং চন্না মঙাল সাপোন অসিসু অমনি। ইমাশিংনা পুল্লগা শেম্বা মঙালসু ওই। জোরহাটতা লৈবা মহৈরোয়শিংদা সাপোন অসি শীজিন্নহন্দুনা য়েংবদা উনসা অসি থোৎলগা লৈ হায়রকখি। শেঞ্জাও পায়বা ময়াম লাক্লগা মুনখিগদ্রা হায়না পাখৎলম্বনি। অদুবু পেটেন্ট ফংবা মরম্না কনা অমত্তা লৌবা ঙম্লরোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা মঙাল সোপ, অৱার রেষ্ট হাউস খুরাই থোইদিংজম লৈকায়গী প্রোপ্রাইটর জিনানা ফোঙদোকখিবদা, সাপোন শুংবগী ৱাখল্লোন অসি কুমজা ২০০৪ দগী লাকখি। শেল-থুমগী ফীভম ফত্তবনা শাবা ঙমখিদবনি। ভিক্টিম অমা ওইনা লৈরকপদগী ৱাখি। বিলাটিমাটি বোরাদগী খাও পুথোকপা হৌখি। লক্সরিগী ওইবা পোৎলম কয়া শারকখি। শিনফম অসিদগী খরা থৈদোক্লগা সাপোন শাবা হৌখিবনি। জি এস টি অমদি মৈগী অৱাবা খরা মায়োক্লে। মতিক চাবা ষ্টোর লৈত্রি। থবক শুরিবশিং অসিগী মরক্তা চৎপা ঙমদ্রবা অমদি উবগী পাঙ্গল ৱাৎপা কয়াসু য়াওরি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ ইঙুদম অচৌনা ফোঙদোকখিবদা, পুথোক্লিবশিং অসি মখা তানা পুথোক্কবা হোৎনসি। মণিপুরগী ওইবা প্রদক্ট অসি মালেমগী মীয়াম্না পাম্নরক্কনি। মণিপুরদা হে-লৈ পাম্বী মখল কয়া ফংলি। লমদমসিগী পোথোকশিং য়োকখৎপদা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নিংথম কুম্হৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল - হুম্নী চনবা

নিংথম কুম্হৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলদা *অহিংদা নুমীৎ* উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা চথরকপা ১৬শুবা নিংথম কুম্হৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী হুম্নী চনবদা উৎকদবা ফেষ্টিভেলগী লীলা পার্টিনা শান্নবা ঙম্লরোই হায়রকপদগী সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী অহিংদা নুমীৎ হায়না মিংথোনবা লীলানা ফেষ্টিভেলগী সরক শিদনবা মায় ঙাকখ্রে।

ইবোইয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা, শুমাং লীলা ফোর হ্যুমেনিটিজ হায়বা থীমদা পাঙথোক্লিবা নিংথম কুম্হৈগী হুম্নী চনবদা উৎখিবা সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী অহিংদা নুমীৎ হায়না মিংথোনবা লীলা অসি রঞ্জিৎ নিংথৌজানা ইবনি। লীলা অসিবু লমজিং-লমতাকপনা সৌগ্রাকপম হেমন্তনি।

লীলাগী ৱারীদা মচিন-মনাও অহুম নুংশি-চান্ননা লৈরম্বদগী নুপী থিরক্লবা মতুংদা নুপী-নুপীশিংদুগী অপাম্বদা চৎনখি। খুঙ্গংগী নুংঙাইবা পুন্সি তুংওইনদুনা লৈঙাক্কী থবক তৌরক্লবা মীশক ওইনা ময়াম্বা অহল অমসুং মনাওনুপা অতোনবনা ইম্ফালদা ইংখোল লৈদুনা যুম শাদুনা মাগী মাগী নুপীগী য়াকাদা হিংবা যুম্বানবগী পুন্সিনি। খুঙ্গংদা মনাওনুপা য়াইমদি লৈহৌখি। খুঙ্গংগী পুন্সিরোলদা হিংলিবা পুন্সিবু কল্লক্তুনা মতৈমাগী মৌপ্বানুপাগী খুজিল থৌরাংগী লাংদা থুহন্নবা হোৎনখি। খুঙ্গংগী পোথোক কয়াবু য়োকখৎলিবা মীশক অদু খুঙ্গংগী মীয়াম্না নুংশি। অনৌ-অনৌবা পোথোক কয়াগী মশা-মরেং হেনগৎহন্নবা যুম্ফম ওইবা লীলানি।

লীলা অসিদা ইরমদমগী পোথোক্লা মীপাল তাঙদবা ওইরক্লবা মতমদা মীখা পোন্দবা লমদম ওইরক্কনি হায়বা উৎলি। পোথোক পুথোক্লিবা লৌমীশিন্নীশিং য়োকখৎকদবনি। ফাইব ষ্টার হোটেল শাবদগী চীঞ্জাক্কী পোথোক্লা হেন্না মরুওই। লৌমী-শিন্নী য়োকখৎকদবনি হায়না উৎলিবা লীলা অমনি।

লীলা অসিগী নুপাগী শক্তমদা এস ঐচ হেমন্তা, নিংথেমদা প্রফুল্লোচন্দ্র, লোয়াদা মঙ্গিয়াইমা, মাঙ্গোলদা নিলাচন্দ্র, ফৈজাওদা সোমোন্দ্রো, তোন্দোনবদা এল দয়ানন্দনা শক্তম লাংখি। নুপীগী শক্তমদা থাবল্লৈদা পাঙ্গৈ ইন্দ্রজিৎ, মালেমদা নরেসকুমার, লমঙানবীদা তোম্পোক্লা শক্তম লাংখি। ঈশৈ নোংমাইদা নুপা খোঞ্জেলদা জানেমন অমসুং নুপী খোঞ্জেলদা সনাতোম্বনা শৈশকখি। কি-বোর্দতা রিঙ্গো, পেদ অমসুং তব্লাদা রোসন, গিটরদা জোন্সন, বাঁসিদা থেনাওনি। কলচরেলগী ওইবা ঈশৈ অমদি লীলাগী দাইলোগ কয়াসু লাম্থোকখি।

নিংথম কুম্হৈ ফেষ্টিভেলগী মরিনি চনবা নুমীৎকী নুংথিল পুং ২ তাবদা কমখ্যা সঙ্গীত মন্দলগী *ইঙাগী থানিল* উৎকনি হায়রি।

দ্রামাগী শক্লাইরবা তোন্দোনদা মৈত্রম বীর এৱার্দ লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): রূপমহল ঠিএটরগী ৭৬শুবা এনিভর্সরি, রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিয়ল দ্রামা ফেষ্টিভেল ২০১৯ পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ঠিএটরগী লমদা শক্লাইরবা লাইশ্রম তোন্দোনদা মৈত্রম বীর এৱার্দ ২০১৯ লান্থোক্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

রূপমহল ঠিএটরদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মৈত্রম বীর এৱার্দ ২০১৯ খুরাই পুথিবা লৈকায়দগী লাইশ্রম তোন্দোনদা লান্থোকখি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, শকখঙ চে অমদি সোল য়াওরি। লাইশ্রম তোন্দোন লল্লোং বজার মনাক্তা লৈবা খুরাই পুথিবা লৈকায়দগী লাইশ্রম কন্থাই অমদি লুকোগী মচানুপা ওইনা কুমজা ১৯৩০ গী এপ্রিল ১৮ ফংজখি। মশাগী চহী ১৯ শুরকপদগী খুরাই মায়কৈদা লিংবা উমাচান ঠিএটর, উদয়চান্দ ঠিএটরনচিংবা দ্রামা য়ুনিটশিংদা এক্টর, ষ্টেজ মেনেজরনচিংবা ওইদুনা লাকখি। ঠিএটর পামজবা অহল-লমনশিংগা খন্নরবা তুংদা সঙ্গীত কলা সংঘম কৌবা দ্রামা অমদি জগোয়-ঈশৈগী ওর্গনাইজেসন লিংখৎপদা য়াওরকখি। কুমজা ১৯৬৬ তা ঠিএটর সেন্টর মণিপুরনা শীন্দুনা ঠিএটর ওর্গনাইজেসনশিংদগী লীলারোয় অমমম খনগৎতুনা রূপমহলগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ লীলা ন্যু দিল্লিদা উৎখিবদা যাত্রা সুবেদারগী রোল কুমখি। লাইওইখ্রবা ওজাশিংদগী লীলাগী মরমচৎ কয়া তমহৌখি। তমহৌবা কয়া অদুদগী সঙ্গীত কলা সংঘমগী লৌরেম্বম শ্যামকেশ্বরনা ইবা ঈহৌ দিরেক্সন তৌদুনা মপান কাংজেবুংদা পাঙথোকপা দ্রামা ফেষ্টিভেলদা উৎখি। শেলগী মনানচিংবা কয়া ফংখি। সঙ্গীত কলা সংঘম হোল শাদুনা লীলা উৎলকপা মতমদা ঠিএটরগী য়ুনিট অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টগী থৌ পুবগা লোয়ননা দিরেক্টর অমদি এক্টর ওইদুনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মৈত্রম বীর এৱার্দ ফংখ্রবা লাইশ্রম তোন্দোননা হায়খি, পীক্লিঙৈ মতমদগী দ্রামা-লীলা অসি থৱায় তানা য়েংলকখি। রূপমহল ঠিএটরনা শান্নবা দ্রামাশিংসু অয়াম্বা মতমদা য়েংদুনা লাকখি। শান্নরিবা দ্রামাশিং অদুদা য়াওরিবা অহল-লমনশিং অদুনা লৌরম্বা রোল কয়া অদুবুসু থৱায় তানা য়েংবগা লোয়ননা মতৌ তম্নবা হোৎনখি। লীলা-দ্রামা অসি য়াম্না য়াওনিংনা হৌরকপগা লোয়ননা লম অসিদা চঙলকখিবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা প্রোফেসর আই এস কাংজমনা হায়খি, রূপমহলগী ওজাশিং, অহল-লমনশিংনা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরম্বা কয়া অদু নীংশিংবা তঙাইফদে। ওজাশিং অদুগী তুং ইন্দুনা দ্রামা অমদি ঠিএটরগী লমদা হেন্না মায় পাক্লবা হোৎনবা তাই। ওজা বীরনা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদু অসুক্কী মতিক শীংথানিংঙাই ওই। ওজা অসিনা তৌরম্বা কয়া নীংশিংলি। ওজা অসিগী মিংদা মনা পীবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। মনা হায়বসি শেল য়াম্বা য়ামদবগী ৱাফম লৈতে। মসিগী মতিক ময়াই লৈরিবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা রূপমহলগী চ্যেরমেন কে হেরামনিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

‘ওজাশিংনা খঞ্জবশিং পুকচেল শেংনা তম্বীরবদি লমদমসিদা থোক্লিবা নুংঙাইতবা ময়াম ফগনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): ওজাশিংনা খঙজবা খরা অদু পুকচেল শেংনা তম্বীরবদি ঙসি মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং, নুংঙাইত্রিবা ময়াম অসি ফগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন তম্ফাসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা শীন্দুনা ঙসি স্কুল অসিদা পাঙথোকখিবা এন্যুয়ল ফ্রেসর্স কম সোসল এন্দ কলচরেল মীট হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, অঙাংশিং অসি এসেট ওইনা থম্বীরমসি। এদ্যুকেসনগী লমদা মণিপুরসু মমিং লৈরে। মহৈরোয় অনৌবশিং লাক্কনি। অরিবশিং চৎখিগনি। তুরেলগী ঈশিংগুম চেন্থখিগনি। টি জি স্কুলদি অদুম্মক লৈহৌগনি। মহৈরোয়শিংদি হোংলক্কনি। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা স্কুলশিংদি অফবা ওজাগী ৱাখল-লৌশিং কয়া অদু ক্লাস রুমদা ওজানা তাক্লিবনি।

মহৈরোয়শিংগী মনুংদা অফাওবা মীওই কয়া ওইরক্কনি। ঐখোয়গী চৎনবী কয়া অসিসু ঙাকপা তাই। থকশি-খাশি নাইবা অফবা চীঞ্জাক চাবা অমদি অফবা চৎনরোল কয়া লৈবা তাই। থায়নদগী চৎনরম্বশিং অদু রিছার্স তৌরগা মতুং ইনবা তাই। এদ্যুকেসনগী ষ্ট্রকচর অসি ফগৎহনগে হায়না মীৎয়েং থম্লি। খুন্নাইগী তুংগী যুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংবু নীংথিনা লমজিং-লমতাকপীদুনা তুংদা মায় পাকপা মীওই ওইহন্নবা হোৎনবা তাই। এদ্যুকেসনগী মরুওইবা ঐখোয় পুম্নমক্না খঙনরিবনি। মহৈরোয়শিং শেম্বা হায়বসি মরুওইবা থৌদাংনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ভাইস প্রিন্সিপাল টি ঐচ সুধিরঞ্জননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরিগী চ্যেরমেন এল মহেন্দ্র অমদি টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল সঙ্গীতানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। থৌরমদুদা নাৎকী ওইবা প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোকখি।

থবক শুবা লেবর হাপ্পগী থবক কন্ট্রেক্টরনা তৌবনি : জি কামৈ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): এফ সী আই সঙাইপ্রৌগী গোদাউনদা থবক শুবা লেবর হাপ্পগী থবক অসি কন্ট্রেক্টরনা চথবনি হায়না এফ সী আই রিজনল ওফিস মণিপুরগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর জি কামৈনা ফোঙদোরক্লি।

ওল্ড এসেম্বলী কমপ্লেক্সতা লৈবা এফ সী আই রিজনল ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা জি কামৈনা হায়খি, এফ সী আই গোদাউনগী শিন্নী হাপ্পগী থবকশিং অসি কন্ট্রেক্টরগী খুত্থাংদা পায়খৎপা ঙাক্তনি। কন্ট্রেক্টর খনবগী থবক অসিসু ওপন টেন্দর তৌরগা খনবনি। টেন্দরদা চৎনকাঙলোনশিং পায়খৎপগা লোয়ননা খল্লি। এফ সী আই সঙাইপ্রৌ গোদাউনদা লেবর হাপ্পগী থবক তৌরিবা এন আর মথাই অসিসু ওপন টেন্দরদা খনখিবনি। হৌজিক শিন্নী লৌথোকই, লৌথোক্তে হায়রিবসিগী মতাংদা খুদোংচাদবা কয়া লাক্লি। সঙাইপ্রৌ গোদাউন অসি মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা গোদাউননি। ষ্টেট অসিগী এফ সী আইনা চিংবা চেঙগী চাদা ৭০ দি এফ সী আই সঙাইপ্রৌগী গোদাউনদগী লাকপা ঙাক্তনি। গোদাউন অসিদা অপনবা থোরক্লবদি চেঙ চিংথোক-চিংশিনবগী থবক্তা খুদোংচাদবা কয়া অমসু থেংনরক্কনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা কাঙলোন চুম্না ককচিং খুনৌ কোলেজগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ হাপ্পীয়ু : অক্সু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা কাঙলোন চুম্না ককচিং খুনৌ কোলেজগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ হাপ্পীয়ু হায়না ওল কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অক্সু)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি টি ঐচ রামেশনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এদেদ কোলেজ ওইরিঙৈ অকনবনা অশোনববু তুহৎপীবা, মথোং মরম খঙদবা চৎনবী, অকনবনা অচুম্বা শারিঙৈদা তৌরম্বশিং হৌজিক্তি লৈঙাক্কী মপুং ফাবা কোলেজ অমা ওইরবনা কাঙলোন চুম্না চথবীয়ু। লৈঙাক্কী মপুং ফাবা কোলেজ ওইরক্লবা মতম অসিদসু পাৱর শীজিন্নদুনা কাঙলোন কায়না সিনিয়রিটি য়েংদনা, রেগ্যুলরিটি য়েংদনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নার অমদি ওথোরিটিনা লান্না ইন-চার্জ হাপ্লিবসি অক্সুনা মতম কয়া চঙনা থিগৎলুবদা ককচিং খুনৌ কোলেজবু চুমথোক্লবা হোৎনরিবনি। অক্সুদা শিংনরকপশিং লেম্না খক থাদ্রি। ইন্দিয়াবু কংলৈপাক্লা মালেমগী লৈবাকশিংদা অশোয়বা দিমোক্রেসিবু অচুম্বা দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক পীবা হৌরক্লবা মতম অসিদা ককচিং খুনৌ কোলেজবু লৈঙাক্কী কোলেজ ওইরকপগা হুরান লীচৎনা মাঙ থারগা কোলেজবু অমুবা শংনবা হোৎনবা য়ারোই।

অক্সুনা তরু-তরুবা কংলৈপাক অমা পুরক্লবা হোৎনরিবা তাল্লক অসিদা ককচিং খুনৌ কোলেজদা মরম চাদনা, কাঙলোন কায়না প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ হাপ্লিবা অসি নুমীৎ মঙানিগী মনুংদা কোলেজ অসিগী সিনিয়র অমসুং জুনিয়র লিষ্টতা য়েংলগা দিসিপ্লিন মশক খঙনা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা ওজাদা প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ হাপকদবনি। থকশি-খাশি মশক খঙদবা লীচৎ চৎপা য়ারোই হায়নসু মখা তারি।

খৃষ্টমাসনা লাকপদা অমেস্কোনা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): খৃষ্টমাসনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরি হায়না ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো) গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মেরুং মরিংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেম অসিদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইনা মাগী মাগী অনীংবা অপাম্বগী মতুংইন্না চৎনিং-চৎনিংবা লাইনিং লম্বীদা চৎনরি। লাইনিং লম্বীশিংগী মনুংদা খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপশিংগী য়াম্না মরুওইবা দিসেম্বর ২৫ খৃষ্টমাসনা লাকপদা অমেস্কোনা য়াইফ-পাউজেল পীরি। অচৌ মচা খায়দনা, কাঙলুপ-ফুরুপ নাইবগী ৱাখল থাদোকপা, মীওৎ-মীনৈ লৈতবা, নুংঙাই-য়াইফবা, মান্নবা খুন্নাই তাইবংপাল অমা শেম্নবা থারকখিবনি। হৌজিক্তি ঐখোয় খুদিংমক পুক্নিং ৱাখল শেংদোকমিন্নবা অমদি চুমথোকপগী তাঞ্জা খৃষ্টমাসনা নৌহৌননা নীংশিংহল্লে। খৃষ্টিয়ন লাইনিংবু থম্মোয়নুংদা চেৎনা থাগোন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা হেন্না চঙশিন্দুনা পাপ চেল্লবশিংগী মফমদা অমুক হন্না পাপ তৌদনবা ফুরুপ খুদিংমক্কী মফমদা নুংশি-চান্নবা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী পাউজেলশিং মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তারি।

ৱাকফ বোর্দকী ওজাশিংদগী লৌখৎখিবা শেনফমশিং অথুবা মতমদা হন্দোক্কদবনি : এম এস য়ু এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): ৱাকফ বোর্দকী ওজাশিংদগী লৌখৎখিবা শেনফমশিং হন্দোক্কদবনি হায়না মুস্লিম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এম এস য়ু এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি ৱাহিলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী এম ও বি সী দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ৱাকফ বোর্দ মদ্রাসা মোর্দনাইজেসনগী ওজাশিংনা মতম শাংনা অৱাবা খাংদুনা লাক্লি। ওজাশিংবু ঙসিগী লৈঙাক্লা রেগ্যুলরাইজেসন তাহনবগীদমক থাগৎলি। মতম শাংনা ওজাশিংগী সেলেরি ফংদনা লাকখিবা অদু চীফ মিনিষ্টরনা ফংহনবীবগীদমকসু নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা ওজাশিংদগী অকক্লবা শেনফম শেমগৎতুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী মীওই খরনা ওজাশিংগী মীওই খরা অমসুং পোলিটিসিয়ন খরগা লৌতুনরগা অমোৎপা থৌওং চঙশিল্লি। শেনফমশিং অসি ওজাশিংদা হন্দোক্কদবনি। মসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অমসুং পোলিটিসিয়নশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। ওজাশিংদা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী হন্দোক্কদবনি। করিগুম্বা শেনফমশিং অসি হন্দোক্তবা তারবদি শেল শায়েন-ঙায়েন্নবদা চেন্নরিবা মীওইশিং মমিং-মথাগা লোয়ননা মীয়াম খঙনা লাউথোক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

টেলেন্ট সর্চ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): য়ুনিয়ন ওফ সোসল অপলিফ্টমেন্টনা শীন্দুনা লাকপা মহৈরোয়শিংদা লেম্না মহে তমহনবা অমদি খুরাই পানা টেলেন্ট সর্চ এগজামিনেসন থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল রোনেক্সনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগীদমক অসিগুম্বা টেলেন্ট সর্চ এগজামিনেসন অসি পাঙথোকপনি। এগজাম অসিগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু হায়রি।

‘সী পি আইগী সেক্রেটরি ফাজিনখিবা কন্দেম তৌই’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারবু ফাজিনখিবা থৌওং কন্দেম তৌই। মহাকপু কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়না রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এ) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সাপম শামুঙৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মহাক ফাজিনবগী মরম করিগীনো। লেফ্ট পার্টিশিংনা ইন্দিয়া পুম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌখিবা অদুদা মীওই কয়া ফাখি। এল সোটিনকুমারগী মথক্তা লৈঙাক্লা পানশিল্লিবা কয়া অসি হেনমল্লি। সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি ফাজিনবা অসি মরম চাদে। ষ্ট্রাইক মনুংদা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ হৌজিক ফাওবা তাদ্রি। ইন্দিয়াগী পোলিটিকেলগী লুচিংবশিং ফাজিন্দুনা জেলদা থমজিনবা থৌদোক কয়া লৈখ্রে। ১৯শুবা চহীচা লোইরমদাইদা অদুগুম্বা থৌদোক কয়া থোকখিবনি। ২১শুবা চহীচা য়ৌরক্লবা মতম অসিদা লম্মন খুম্বগী মওংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা চথরিবা থৌওং অসিদি লো ইন হেন্দগী থৌদৌ মালহল্লি। সী এ এগী মতুংইন্না বি জে পি লৈঙাক লৈবা উত্তর প্রদেশতা মীওই ১৫ পুন্সি মাঙখ্রে। গুজরাতকী অহমেদবাদতা সী এ এগী মায়োক্তা এজিটেসন চঙশিনবদা মীওই কয়া অশোক-অপন য়াওনখ্রে। ভারতিয়া জনতা পার্টিগী লৈঙাক লৈরিবা অসামদা মীওই ৫ গী পুন্সি লোমখ্রে। মেঘালয়া, নাগালেন্দ, মিজোরাম, অরুনাচল প্রদেশ, পঞ্জাব, কেরলা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনচিংবদা খোঙজং কয়া চঙশিল্লি হায়নসু মখা তারি।

প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা মীয়ামগী অৱাবা খঙবীদুনা লায়েংমল হন্থবীয়ু : অকোম লূপ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): প্রাইভেট প্রেক্টিস তৌরিবা ডোক্তরশিং অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা মীয়ামগী অৱাবা খঙবীদুনা লায়েংবগী মমল হন্থবীয়ু হায়না অকোম লূপ কংলৈপাক্কী এসিষ্টেন্ট আই পি আর সেক্রেটরি টি ঐচ বালেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চহী কয়াগী মমাঙদগী অকোম লূপ কংলৈপাক্লা খুন্নাই অসিগী হকশেলগী মতাংদা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। হকশেলগা মরী লৈনবশিংদা থবক কয়া পায়খৎপীনবা তকশিন্দুনা লাক্লি। কংলৈচাশিংগী মায়কৈদগী কমপ্লেন্ট কয়ামরুম লাক্তুনা লৈরে। অকোম লূপ কংলৈপাক্লা হৌজিক ওইরিবা অনা-লায়েংদা লৈরিবা খুদোংচাদবশিংগী মনুং চন্না লৈঙাক্কী ডোক্তর অয়াম্বনা প্রাইভেট প্রেক্টিস তৌবগা লোয়ননা থৱায়-হকচাং থাদদুনা লৈরি। প্রাইভেট প্রেক্টিস তৌরিবা ডোক্তরশিংনা করম্বা ফিরেপনা অনাবা লায়েংবদা লুপা ৫০০ দগী ৬০০ লৌরিবনো হায়বসিনি। ডোক্তরশিংনা লৌরিবা মমল অসি মেদিকেল কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়া, ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন নৎত্রগা মণিপুর মেদিকেল এসোসিএসন্না অয়াবা পীব্রা নৎত্রগা অয়াবা লৌরগা মমল অদু লৌরিব্রা হায়বা অসিনি। লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা পূক্লিং চঙদমখৈ প্রাইভেট প্রেক্টিস তৌদুনা শেল লৌবগী চাংদা হিদান্নদুনা লৈরে। চথুরিবা মওং অসিবু য়েংশিনবীনবা ওথোরিটি অমত্তা লৈত্রবরা নৎত্রগা খঙশিন-উশিন্নদ্রিবরা। লায়েংবগী ফি হিদান্নবনা মরম ওইরগা লায়রবা ইরৈচাশিংদা লায়েংনবা হোৎনবদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি হায়বসি ডোক্তরশিংনা খঙদবগুম তৌরি।

লুপা ৫০০ নৎত্রগা লুপা ৬০০ লৈজদবা মীওইশিংদি লায়েংবা ঙমদনা শিগদৌরে। লায়েংনবগী নামাদা অন-ওথোরাইজ লেবোরেটরিশিংনা তৌরিবা বিজিনেস অসিসু অকোম লূপ কংলৈপাক্লা খঙই। ডোক্তরশিংগী ময়ুমদা ফার্মাসি রিটেল আউটলেট হাংদোক্তুনা বিজিনেস সেন্টর ওন্থোকপসু অকোম লূপনা খঙই। মসিগুম্বা বিজিনেস সেন্টর অসিদগী সব-ষ্টেন্দর্দ ওইবা দ্রগ ময়াম অমসু থোরকপগী চাউরবা মরম ওইরে। ফার্মাসিশিং অদুসু লাইসেন্স অমদি ক্বালিফাইদ ফার্মাসিষ্ট লৈব্রা হায়বা অসিসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা য়েংশিনবীদবা তারবদি অকোম লূপ কংলৈপাক্লা য়েংশিল্লগা মীয়ামদা খঙহল্লগনি।

লৈঙাক্কী ডোক্তরশিংনা ব্লেঙ্ক স্লিপশিংদা প্রিস্ক্রিপসন ইরিবগী মরমসু খঙজিনবা চুমগনি। কুমজা কয়া হৌখ্রে অদুবু য়েংশিনবীনবা লৈত্রবা থৌওংশিং অসি কয়াম কুইনা চথুদুনা লৈগনি হায়বসি অচৌবা ৱাহংনি। থৌওংশিং অসি অকোম লূপ কংলৈপাক্লা য়েংশিন্দুনা ইরৈচা মীয়ামগী অৱাবা খরদং ওইরবসু কোকহন্নবা হোৎনগনি। প্রাইভেট প্রেক্টিস তৌরিবা ডোক্তরশিং অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা মীয়ামগী অৱাবসি খঙবীদুনা লায়েংবগী মমল হন্থবীয়ু। অকোম লূপকী মায়কৈদগী চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা খুন্নাই অসিগী হকশেলগী মতাংদা তকশিন্দুনা লাক্লি হায়নসু মখা তারি।

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) & CLASS -X(BOSEM)
4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30)
5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)
HSE Result 2019
19th POSITION HSE 2019
Rakesh Ningthoujam
FOUNDATION COURSE for
CLASS -X(BOSEM)
9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)
HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE
13th POSITION HSLC 2019 Nongmaithem Zeno
17th POSITION HSLC 2019 Jessica Wahengbam
23rd POSITION HSLC 2019 Kahajam Jaya Devi
24th POSITION HSLC 2019 Rushely Laishram
Faculties :
Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.
Special features :
→ Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
→ We provide printed probable questions and answers.
→ Hostel/Boarding for Boys &Girls. → Van Services
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol
Contact : 8413855751
HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.